# PAPER-III
# MANIPURI

**Signature and Name of Invigilator**

1. (Signature) __________________________

   (Name) __________________________

2. (Signature) __________________________

   (Name) __________________________

OMR Sheet No. : ...............................................

(To be filled by the Candidate)

Roll No. | | | | | | | | |

(In figures as per admission card)

Roll No.______________________________

(In words)

**D 3 5 1 2**

Time : 2 $^1/_2$ hours]

[Maximum Marks : **150**

Number of Pages in this Booklet : **12**

Number of Questions in this Booklet : **75**

## Instructions for the Candidates

1. Write your roll number in the space provided on the top of this page.
2. This paper consists of seventy five multiple-choice type of questions.
3. At the commencement of examination, the question booklet will be given to you. In the first 5 minutes, you are requested to open the booklet and compulsorily examine it as below :
   (i) To have access to the Question Booklet, tear off the paper seal on the edge of this cover page. Do not accept a booklet without sticker-seal and do not accept an open booklet.
   (ii) **Tally the number of pages and number of questions in the booklet with the information printed on the cover page. Faulty booklets due to pages/questions missing or duplicate or not in serial order or any other discrepancy should be got replaced immediately by a correct booklet from the invigilator within the period of 5 minutes. Afterwards, neither the Question Booklet will be replaced nor any extra time will be given.**
   (iii) After this verification is over, the OMR Sheet Number should be entered on this Test Booklet.
4. Each item has four alternative responses marked (A), (B), (C) and (D). You have to darken the circle as indicated below on the correct response against each item.
   **Example :** (A) (B) ● (D)
   where (C) is the correct response.
5. Your responses to the items are to be indicated in the **OMR Sheet given inside the Booklet only.** If you mark at any place other than in the circle in the OMR Sheet, it will not be evaluated.
6. Read instructions given inside carefully.
7. Rough Work is to be done in the end of this booklet.
8. If you write your Name, Roll Number, Phone Number or put any mark on any part of the OMR Sheet, except for the space allotted for the relevant entries, which may disclose your identity, or use abusive language or employ any other unfair means, you will render yourself liable to disqualification.
9. You have to return the test question booklet and Original OMR Sheet to the invigilators at the end of the examination compulsorily and must not carry it with you outside the Examination Hall. You are, however, allowed to carry duplicate copy of OMR Sheet on conclusion of examination.
10. **Use only Blue/Black Ball point pen.**
11. **Use of any calculator or log table etc., is prohibited.**
12. **There is no negative marks for incorrect answers.**

## परीक्षार्थियों के लिए निर्देश

1. पहले पृष्ठ के ऊपर नियत स्थान पर अपना रोल नम्बर लिखिए ।
2. इस प्रश्न-पत्र में पचहत्तर बहुविकल्पीय प्रश्न हैं ।
3. परीक्षा प्रारम्भ होने पर, प्रश्न-पुस्तिका आपको दे दी जायेगी । पहले पाँच मिनट आपको प्रश्न-पुस्तिका खोलने तथा उसकी निम्नलिखित जाँच के लिए दिये जायेंगे, जिसकी जाँच आपको अवश्य करनी है :
   (i) प्रश्न-पुस्तिका खोलने के लिए उसके कवर पेज पर लगी कागज की सील को फाड़ लें । खुली हुई या बिना स्टीकर-सील की पुस्तिका स्वीकार न करें ।
   (ii) **कवर पृष्ठ पर छपे निर्देशानुसार प्रश्न-पुस्तिका के पृष्ठ तथा प्रश्नों की संख्या को अच्छी तरह चैक कर लें कि ये पूरे हैं । दोषपूर्ण पुस्तिका जिनमें पृष्ठ/प्रश्न कम हों या दुबारा आ गये हों या सीरियल में न हों अर्थात् किसी भी प्रकार की त्रुटिपूर्ण पुस्तिका स्वीकार न करें तथा उसी समय उसे लौटाकर उसके स्थान पर दूसरी सही प्रश्न-पुस्तिका ले लें । इसके लिए आपको पाँच मिनट दिये जायेंगे । उसके बाद न तो आपकी प्रश्न-पुस्तिका वापस ली जायेगी और न ही आपको अतिरिक्त समय दिया जायेगा ।**
   (iii) इस जाँच के बाद OMR पत्रक की क्रम संख्या इस प्रश्न-पुस्तिका पर अंकित कर दें ।
4. प्रत्येक प्रश्न के लिए चार उत्तर विकल्प (A), (B), (C) तथा (D) दिये गये हैं । आपको सही उत्तर के वृत्त को पेन से भरकर काला करना है जैसा कि नीचे दिखाया गया है ।
   **उदाहरण** : (A) (B) ● (D)
   जबकि (C) सही उत्तर है ।
5. प्रश्नों के उत्तर **केवल प्रश्न पुस्तिका के अन्दर दिये गये OMR पत्रक पर ही** अंकित करने हैं । यदि आप OMR पत्रक पर दिये गये वृत्त के अलावा किसी अन्य स्थान पर उत्तर चिह्नांकित करते हैं, तो उसका मूल्यांकन नहीं होगा ।
6. अन्दर दिये गये निर्देशों को ध्यानपूर्वक पढ़ें ।
7. कच्चा काम (Rough Work) इस पुस्तिका के अन्तिम पृष्ठ पर करें ।
8. यदि आप OMR पत्रक पर नियत स्थान के अलावा अपना नाम, रोल नम्बर, फोन नम्बर या कोई भी ऐसा चिह्न जिससे आपकी पहचान हो सके, अंकित करते हैं अथवा अभद्र भाषा का प्रयोग करते हैं, या कोई अन्य अनुचित साधन का प्रयोग करते हैं, तो परीक्षा के लिये अयोग्य घोषित किये जा सकते हैं ।
9. आपको परीक्षा समाप्त होने पर प्रश्न-पुस्तिका एवं मूल OMR पत्रक निरीक्षक महोदय को लौटाना आवश्यक है और परीक्षा समाप्ति के बाद उसे अपने साथ परीक्षा भवन से बाहर न लेकर जायें । हालांकि आप परीक्षा समाप्ति पर OMR पत्रक की डुप्लीकेट प्रति अपने साथ ले जा सकते हैं ।
10. **केवल नीले/काले बाल प्वाईंट पेन का ही इस्तेमाल करें ।**
11. **किसी भी प्रकार का संगणक (कैलकुलेटर) या लाग टेबल आदि का प्रयोग वर्जित है ।**
12. **गलत उत्तरों के लिए कोई अंक काटे नहीं जाएँगे ।**

**MANIPURI**

**মণিপুরী**

**Paper – III**

**পেপর – III**

**Note :** This paper contains **Seventy Five (75)** objective type questions, each question carrying **two (02)** marks. Attempt **all** the questions.

**নোট :** পেপর অসি ৱাহং খুদিংগী মার্ক অনী **(2)** পীবা ওবজেক্তিব তাইপকী ৱাহং হুস্ফুতরা মঙা **(75)** য়াওই । ৱাহং পূন্নমক শোয় দনা খুমগদবনি ।

**1.** হাওরৈ নোংপোক পাংবদা

সনা চীংদোম পোক্তগী

মশেক মঙান লোয়ননা

মঙাং গুরু চাকৱায়রে

মথক্কী পরেংশিং অসি য়াওবদি

(A) লৌতা ঈশৈ

(B) ঘেঞ্চো

(C) য়াকৈবা

(D) সনা লমত্তক নি ।

**2.** য়েক শলাইশিংগী নিঙোনবু খঙনবা মমিংশিংগী মরমদা তাকপা লাইরিক্তি

(A) চেংলৈরোন

(B) পেল্লোন তেংথা

(C) চাদা লাইহুই

(D) শাকোক লমলেন নি

**3.** চেংলৈ নিংথৌ থাংয়ি খোংজ্রোম্বগী মরমদা য়াওবদি

(A) খোইজু লমত্তক

(B) সনা লমত্তক

(C) লোইয়ুম্বা শিলয়েন

(D) অহোংলোন নি

**4.** মখাগী নিংথৌশিং অসি পাল্লম্বগী মথং মনাত্ত পরিংদি

(A) খুয়োই তোম্পোক, তাউথিংমাং, নাত্তখম্বা, নাত্তফংবা

(B) নাত্তফংবা, তাউথিংমাং, নাত্তখম্বা, খুয়োই তোম্পোক

(C) তাউথিংমাং, নাত্তখম্বা, খুয়োই তোম্পোক, নাত্তফংবা

(D) নাত্তখম্বা, খুয়োই তোম্পোক, তাউথিংমাং, নাত্তফংবা

**5.** মখাগী লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II অনী অসিগী অচুম্বা মেতচিং কোদ পীয়ু :

| **লিস্ত-I** | **লিস্ত-II** |
|---|---|
| **লাইরিক্কী মিং** | **য়াওরিবা হীরম** |
| a. শঙলোন | 1. লম্মিৎলোন |
| b. শঙ্গাই ফম্মাং | 2. পাঞ্জি |
| c. থাঙমৈরোন | 3. মৈহৌবরোন |
| d. লৈচিন লোন | 4. ৱায়েন পথাপ |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 3 | 2 | 4 | 1 |
| (B) | 2 | 1 | 3 | 4 |
| (C) | 4 | 3 | 1 | 2 |
| (D) | 1 | 4 | 2 | 3 |

6. অরিবা সাহিত্যগী মরু ওইবা শক্লোন অমদি -
(A) লাইনিং লাইশোনগা শাগোন্নবা মশক
(B) লৈবাক মীয়াম্না পান্নবা হীরম
(C) অশৈবনা মরোমদোর শাগৎপা ৱারী
(D) অশেংবা মালহনবা সাহিত্যগী খুৎদেম নি ।

7. 'পোইরৈতোন খুন্থোবা'তা য়াওদবা হীরমদি -
(A) লাইনা তিন্নাদগী কন্নবা লাইথৌ তিনথৌ
(B) লম মমিং থোনবগী ৱারী ৱাখোঙ
(C) শিদয়াই নাদয়াই ফংখিবগী থৌদোক
(D) মিং থোনবগী থাজনবী নি ।

8. ময়াইনেবা মণিপুরী সাহিত্যদা মহাভারত মপুংফানা ইথোক্লমদবগী মরমশিং পীরিবা অসিদগী অরানবা খন্দোকউ -
(A) মণিপুরীদা রামায়ণগী মশা তরেৎ ইথোক্লম্বা
(B) কাব্য অমা ওইনা রামায়ন্না মহাভারতগী মপুংফাবা হেনবা
(C) মহাভারতা অথোইবা নায়ক্কী মপুংফাবা শক্তম অমা শাগৎপা ঙমদবা
(D) নিংথৌনা লাইরিকসি ইথোকপদা পুক্নিং থৌগৎলমদবা

9. 'লৈমা শুনুলেম্বী' য়াওবা লাইরিক্তী
(A) তুতেংলোন
(B) চোথে থাঙৱাই পাখংবা
(C) নুংবান পোম্বী লুৱাত্তবা
(D) কোন্থৌজম নোঙ্গারোন

10. A. খ্বাই নোংজেংবম পিবা মীয়াম্না ঙমফদ্রবা থৌদাং পাঙথোকপা থৌনাফবা নিপানি ।
B. মহাক্কী থবকশিংদা শকউদবা লাইনা নত্রগা মহৌশাগী অকনবা মতীক ময়াইনা মতেং পাংবা তত্তনা থেংনৈ ।
(A) A অমসুং B চুম্মি A না B গী মরম ওইদে।
(B) A অমসুং B চুম্মি A না B গী মরম ওই।
(C) A চুম্মি B লাল্লি ।
(D) A চুম্মি, B সু চুম্মি ।

11. 'ঔৱা ঙম্বা' ইখিবা পন্দিতশিংদি
(A) চিংঙাখরচা চাউবতোন, শরাংথেম সুরপানন্দ, মুকুন্দরাম ৱাংখৈ, মাধবরাম ৱাহেংবা
(B) লোংজম প্রশুরাম, মুকুন্দরাম ৱাংখৈ, শরাংথেম সুরপানন্দ, থৌদামচা চাউবতোন
(C) মাধবরাম ৱাহেংবা, শরাংথেম সুরপানন্দ, লোংজম প্রশুরাম, মুকুন্দরাম ৱাংখৈ
(D) খুমুজমচা পন্দিত, চিংঙাখমচা চাউবতোন, শরাংথেম সুরপানন্দ, থৌদামচা চাউবতোন

12. মাধবরাম ৱাহেংবনা ইবা লাইরিক্তি
(A) সনামনিক
(B) খাহিঙম্বা
(C) সনামহী লাইকন
(D) শমশোক ঙম্ব নি ।

13. গরিবনিৱাজগী মতমদা ইথোক্লম্বা রামায়ণগী মশা তারৎ মচোই মচোই তাদুনা মাঙখিবগী মরমদি
(A) নিংথৌসিগী মতুংদা রামানন্দি লাইনীং চৎনখিদবননি ।
(B) রামায়ণগী ৱারীবু মীয়াম্না পাম্নরক্তবননি ।
(C) লৈবাক্না য়াম্না তোয়না লান্নংবগীনি ।
(D) লমদমসিগী হান্নগী লাইনীং পাম্নরকপগীনি ।

**14.** মখাগী লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II অনী অসিগী অচুম্বা মেতচিং কোদ পীয়ু :

| **লিস্ত-I** | **লিস্ত-II** |
|---|---|
| **লাইরিক্কী মিং** | **অইবগী মিং** |
| a. ভক্ত চরিৎ | 1. নবানন্দ যুবরাজ |
| b. লাংগোই শগোল থাবা | 2. লবঙ্গ সিং কোহ্নৌজাম্বা |
| c. মহাভারত বিরাটপর্বব | 3. নিংথৌজাম্বা মাধব |
| d. রাম নোঙ্গাবা | 4. লোংজম প্রশুরাম |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 4 | 1 | 2 | 3 |
| (B) | 3 | 4 | 1 | 2 |
| (C) | 1 | 2 | 3 | 4 |
| (D) | 2 | 3 | 4 | 1 |

**15.** 'হাওনু চাখানু' য়াওবা লাইরিক্তি

(A) থৱান্থাবা হিরান

(B) খোংজোমনুবী নোঙ্গারোন

(C) পাম্থোইবী খোঙ্গুন

(D) নুমিৎ কাপ্পা নি ।

**16.** পৃথিবীগী অহানবা লাজ্জাওদা মশামক য়াওরুবগী পাউদম পীদুনা লাইরিক ইখিবদি

(A) মুতুৱা ঝুলোন

(B) হাত্তদৈজাম্বা চৈতন্য

(C) মকর সিংহ

(D) পুখ্রম্বম পারিজাৎ নি ।

**17.** হৌজিক্কী মণিপুরী শৈরেংদি 'খুগায়বা অমসুং অনৌবা শাগৎপনি' হায়বা খোল্লাত্তগা লোয়ননা শৈরেং ইখিবদি

(A) এলাংবম নীলকান্ত

(B) লাইশ্রম সমরেন্দ্র

(C) শ্রী বীরেন

(D) থাংজম ইবোপিশক নি ।

**18.** 'ঙল্লিঙৈ মণিপুরী জর্নেলিজম অমসুং জি.সি. তোংব্রা' হায়বা লাইরিক অসি ইবদি -

(A) লৈমপোকপম দামোদর

(B) কাংঙুজম মধুমঙ্গল

(C) নোংমাইথেম তোম্বী

(D) লোংজম জয়চন্দ্র নি ।

**19.** মখাগী লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II গী অচুম্বা মেতচিং কোদতি :

| **লিস্ত-I** | **লিস্ত-II** |
|---|---|
| **লাইরিক্কী মিং** | **অইবগী মিং** |
| a. শন্দ্রেম্বী থোরক্লো নহুম পোঞ্জেল শাবীগে | 1. লনচেনবা মীতৈ |
| b. থম্মোয়নুংদগী | 2. খুমন্থেম ইবোহল |
| c. 'সিবু হৌনরিব্রা ইমা | 3. য়ুমলেম্বম ইবোমচা |
| d. থম্মোই পাউদম | 4. বিরেন্দ্রজিৎ নাত্তরেম |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 1 | 4 | 3 | 2 |
| (B) | 4 | 2 | 1 | 3 |
| (C) | 2 | 3 | 4 | 1 |
| (D) | 3 | 1 | 4 | 2 |

**20.** "অৱার হোলী প্লেস মণিপুর, হেনমনখ্বরা ঐগীসিবু ?" মসি য়াওবদি

(A) না তাথীবা অহল অমা

(B) ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিংকী ফীভন

(C) পিগী ৱারী

(D) অনৌবা পাউ অমা নি ।

**21.** য়োশুবী ফাগি থোরকখিবসি

(A) চন্দ্রকীর্ত্তি

(B) সুরচন্দ্র

(C) কুল্লচন্দ্র

(D) চূড়াচান্দ মহারাজগী মতমদনি ।

22. মখাদা পীরিবা লাইরিকশিং অসিগী অহান-অকোন্দি
   (A) পাগলিনী, প্রবাস মিলন, পার্থপরাজয়, সতীখোংনাং, নরসিংহ
   (B) পার্থপরাজয়, পাগলিনী, সতীখোংনাং, নরসিংহ, প্রবাস মিলন
   (C) প্রবাস মিলন, পাগলিনী, পার্থপরাজয়, নরসিংহ, সতীখোংনাং
   (D) নরসিংহ, পাগলিনী, সতীখোংনাং, পার্থপরাজয়, প্রবাস মিলন

23. মখাগী লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II গী অচুম্বা মেতচিং কোদতি :

| **লিস্ত-I** | **লিস্ত-II** |
|---|---|
| **শক্তমগী মিং** | **লাইরিক্কী মিং** |
| a. মুখরো | 1. অরোইবা পাউদম |
| b. যমুনা | 2. থাদোকপা |
| c. চিত্রলেখা | 3. ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিংকী ফীবম |
| d. রোজ | 4. নুংশি ঈচেল |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 1 | 2 | 3 | 4 |
| (B) | 2 | 1 | 4 | 3 |
| (C) | 3 | 4 | 1 | 2 |
| (D) | 4 | 3 | 2 | 1 |

24. A. সনাহলনা ইবেচাউবীবু নুংশিবদগী মহাক্কী অকোনবগী নুপাদু হাৎখিদে ।
   B. ইবেচাউবীগী উপায় লৈতবা ফীভমদু সনাহলনা খঙবদগীনি ।
   (A) A অমসুং B চুম্মি, A গী মরম B না ওই।
   (B) A অমসুং B লাল্লি, A গী মরম B না ওইদে ।
   (C) A চুম্মি B লাল্লি ।
   (D) A লাল্লি, B চুম্মি ।

25. 'নিংথৌফি' শাবা হৌদোকখিবদি
   (A) লোইয়ুম্বা
   (B) লোইতোংবা
   (C) নাউফংবা
   (D) য়াংলৌ কৈফাবগী মতমদনি ।

26. 'অয়াং ইরেন ঈরুপ্পা' হৌদোকখিবসি
   (A) খুয়োই তোম্পোক
   (B) লোইয়ুম্বা
   (C) ক্যাম্বা
   (D) নাওথিংখোং

27. খারপোষ হায়রগা খঙনবদি
   (A) খাজনা থিদবা লৌ
   (B) খাজনা থিবা লৌ
   (C) লোইশং অমগী মমিং
   (D) কাঙ্গৎ মখল অম নি ।

28. মখাদা পীরিবা লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II গী অচুম্বা মেতচিং কোদতি :

| **লিস্ত-I** | **লিস্ত-II** |
|---|---|
| **থৌরম** | **মতম** |
| a. কুরাক লমদাইবা | 1. মেরা |
| b. হৈক্রু হিদোংবা | 2. ইঙা |
| c. ইমোইনু লাৎপা | 3. লাংবন |
| d. ক্বাক তানবা | 4. ৱাকচীং |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 1 | 2 | 4 | 3 |
| (B) | 4 | 1 | 3 | 2 |
| (C) | 2 | 3 | 4 | 1 |
| (D) | 3 | 4 | 2 | 1 |

29. লাইহরাওবদা মখাগীসিদগী লৈকংদগী লৌখৎপা লাইদি
   (A) সেকমাইগী কৌব্রু
   (B) বাকচিংগী খল্লাংবা
   (C) শুগ্নুগী ৱাংবরেন
   (D) খুরখুলগী ইচুম লাইরেম্বী

**30.** শগোল কাংজৈ শান্নবদা 'শগোল তুপ্পা' হায়বসি

(A) তুংদা চেল্লিবা শগোল অদু হেনগৎহনদবনি

(B) অচেনবা শগোল অমদা ফৈনা থৌজল্লকপনি

(C) শগোল কাংজৈ শান্নবগী চংদবা য়াদবা নিয়ম অমনি

(D) শগোল তুপ্পা হৈবা শান্নরোইবু অহৈব শক্লে

**31.** ময়াই নেবা মতম লোইশিল্লকপা অমসুং অনৌবা মতমগী লংদাইদা থোরকখিবা শিংথানবা য়াবা অইবদি

(A) হাত্তদৈজাম্বা চৈতন্য

(B) হিজম ইরাবত

(C) চিংঙাখম ময়ুরধ্বজ

(D) পুখ্রম্বম পারিজাৎ নি ।

**32.** সাহিত্যগী ইতিহাসকী মতম খায়বগী মরু ওইবা পান্তমদি

(A) অহোংবশিং তাক্লবা

(B) সমাজগা লৈনবা মরী উৎনবা

(C) অইবশিংগী অহান অকোন শেম্নবনি

(D) নৈনবদা খুদোংচানবা নি ।

**33.** ফোকলোরগী সজ্ঞাদা - "The materials handed on traditionally may be physical objects, ideas or words" হায়রম্বদি :

(A) থেওদোর এইচ গেস্তর

(B) অরচর তেলর

(C) মেক ইদৱর্দ লিচ

(D) জোর্জ এম ফোস্তর নি ।

**34.** ইংলন্দগী ফোকলোর সোসাইটি লিংখৎখিবা চহিদি :

(A) 1868 (B) 1875

(C) 1878 (D) 1888 নি ।

**35.** 'কল্ল কল্ল শাংবা করিনো ?' হায়রিবা পাউখোং অসি

(A) পেরাদোক্সিকেল

(B) পজল

(C) পেরোদি

(D) ওবসিন রিদলনি ।

**36.** মখাগী লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II গী অচুম্বা মেতচিং কোদতি :

| **লিস্ত-I** | **লিস্ত-II** |
|---|---|
| **ফোকলোরিস্তকী মিং** | **তার্ম** |
| a. ভি প্রোপ | 1. মোতিফিম |
| b. ভোন সিদো | 2. ফঙ্কসন |
| c. এলান দন্দিস | 3. মোতিফ |
| d. স্তিথ টোমসন | 4. ওইকোতাইপ |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 3 | 1 | 4 | 2 |
| (B) | 2 | 4 | 1 | 3 |
| (C) | 4 | 2 | 3 | 1 |
| (D) | 1 | 3 | 2 | 4 |

**37.** মখাগী লাইরিকশিং অসি ফোঙখিবগী মথং মনাত্তদি :

(A) পানথৈ পাউরৌ, হৈরু পরেং, মৈতৈ ফুঙ্গাৱারী, চীংতমগী ফুঙ্গাৱারী

(B) হৈরু পরেং, মৈতৈ ফুঙ্গাৱারী, চীংতমগী ফুঙ্গাৱারী, পানথৈ পাউরৌ

(C) মৈতৈ ফুঙ্গাৱারী, পানথৈ পাউরৌ, চীংতমগী ফুঙ্গাৱারী, হৈরু পরেং

(D) হৈরু পরেং, চীংতমগী ফুঙ্গাৱারী, পানথৈ পাউরৌ, মৈতৈ ফুঙ্গাৱারী

38. A. মমাংঙৈগী মতমদা য়ুম খুদিংগী ফুঙ্গা লৈনরম্বনা ফুঙ্গাৱারী য়াম্না লীনরম্বনি ।

B. হৌজিক্কী মতমদা ফুঙ্গা লৈনরকত্রবনিনা ফুঙ্গাৱারী লীবা তোরক্লরকপনি ।

(A) A চুম্মি B লাল্লি, A গী মরম B না ওইদে।

(B) A সু চুম্মি B সু চুম্মি ।

(C) A লাল্লি, B সু লাল্লি ।

(D) A চুম্মি B লাল্লি, A গী মরম B না ওই ।

39. ফোকলোরনা সামাজিক অমদি রাজনিতিদা আহোংবা পুরকপা ঙম্মী হায়বা ৱাফমসি পুথোরকখিবা ফোকলোরিস্ততি -

(A) উইলিয়ম আর বেসকোম

(B) আর এম দোরসন

(C) অরচর টেলর

(D) উইলিয়ম জোন টোমস নি ।

40. এপিকপু লিতাররী, সেমিলিতাররী অমসুং, ওরেল এপিক্স হায়না খায়দোক্লম্বদি

(A) ফেলিক্স জে ওইনাস

(B) হেদা জেসন

(C) লোরি হোনকো

(D) দন বেন অমোস নি ।

41. ‘এপোলোজি ফোর হিরোইক পোইত্রি’ ইরম্বদি

(A) হোরাস

(B) জোন দ্রাইদেন

(C) সি.এম. বাউরা

(D) শেলী নি ।

42. ‘Poetry is not a turning loose of emotion, but an escape from emotion’ হায়রম্বদি

(A) টি.এস. এলিয়ট

(B) এস.টি. কোলরিজ

(C) ৱার্দসর্ৱর্থ

(D) মেথিয়ু অরনোল্দ নি ।

43. নিয়ো ক্লাসিকেল মতমগী ক্রিতিক্তি

(A) প্লেটো

(B) কোলরিজ

(C) হোরাস

(D) পেটর নি ।

44. মখাগী ক্রিতিকশিং অসিগী মথং মনাত্তদি

(A) কোলরিজ, শেলী, মেথিয়ূ অরনোল্দ, ৱাল্টর পেটর

(B) শেলী, মেথিয়ূ অরনোল্দ, ৱাল্টর পেটর, কোলরিজ

(C) মেথিয়ূ অরনোল্দ, শেলী, কোলরিজ, ৱাল্টর পেটর

(D) শেলী, কোলরিজ, ৱাল্টর পেটর, মেথিয়ূ অরনোল্দ

45. A. শৈরেংগী লোনগী মতাংদা রোমান্তিক স্কুলনা মহৌশাগী ওইবা পুক্লিংগী অশেংবা মতৌ য়াওবা মীয়াম্না ঙাঙনরিবা লোন শীজিন্নবা পাম্মী

B. অসিগুম্বা লোন্না পুক্লিংগী ইহুলবু ফোঙদোকপদা হেন্না চুনৈ ।

(A) A চুম্মি B লাল্লি, A গী মরম B না ওই।

(B) A লাল্লি B চুম্মি, A গী মরম B না ওইদে।

(C) A চুম্মি B সু চুম্মি ।

(D) A লাল্লি, B চুম্মি ।

**46.** ইমেজিনেশনবু প্রাইমারী অমসুং সেকন্দরী হায়না খায়দোক্লম্বা ক্রিতিক্তি

(A) পি.বি. শেলী

(B) এস.টি. কোলরিজ

(C) মেথিয়ু অরনোল্দ

(D) আই.এ. রিচর্দ্স নি ।

**47.** মখাগী লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II অনীগী অচুম্বা মেতচিং কোদতি :

| **লিস্ত-I ক্রিতিক্কী মিং.** | **লিস্ত-II মাখায়গী মতম** |
|---|---|
| a. বেন জোনসন | 1. ক্লাসিকেল |
| b. টি.এস. এলিয়ট | 2. রোমান্তিক |
| c. এরিস্টোটল | 3. মোর্দন |
| d. এস.টি. কোলরিজ | 4. নিয়োক্লাসিকেল |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 2 | 1 | 3 | 4 |
| (B) | 3 | 4 | 1 | 2 |
| (C) | 1 | 2 | 4 | 3 |
| (D) | 4 | 3 | 1 | 2 |

**48.** শান্ত রসকী স্থায়িভাবতি

(A) বিস্ময় (B) জুগুপ্সা

(C) নির্বেদ (D) উৎসাহ নি ।

**49.** মখাগী লাইরিকশিং অসি ফোঙবগী মথং মনাত্তদি -

(A) মণিপুরী কবিতাগী ছন্দ, সাহিত্য মীংশেল, অলঙ্কার শাস্ত্র, অলঙ্কার কৌমুদি

(B) সাহিত্য মীংশেল,অলঙ্কার কৌমুদি, মণিপুরী কবিতাগী ছন্দ, অলঙ্কার শাস্ত্র

(C) অলঙ্কার কৌমুদি, মণিপুরী কবিতাগী ছন্দ, অলঙ্কার শাস্ত্র, সাহিত্য মীংশেল

(D) মণিপুরী কবিতাগী ছন্দ, অলঙ্কার কৌমুদি, সাহিত্য মীংশেল, অলঙ্কার শাস্ত্র

**50.** ‘ধ্বন্যালোক’ ইরম্বদি

(A) রাজশেখর

(B) বলদেব উপাধ্যায়

(C) আনন্দবর্ধন

(D) রুদ্রট নি ।

**51.** রূপ গোস্বামীনা ইরম্বদি

(A) উজ্জ্বল নীলমণি

(B) রস মঞ্জরী

(C) হৃদয় দর্পণ

(D) কাব্য প্রকাশ নি ।

**52.** মখাগী পন্দিতশিং অসিগী মথং মনাত্তদি -

(A) ক্ষেমেন্দ্র, রাজশেখর, রুদ্রট, জগন্নাথ, জয়দেব

(B) রুদ্রট, রাজশেখর, ক্ষেমেন্দ্র, জয়দেব, জগন্নাথ

(C) রাজশেখর, রুদ্রট, ক্ষেমেন্দ্র, জগন্নাথ, জয়দেব

(D) জয়দেব, ক্ষেমেন্দ্র, রুদ্রট, জগন্নাথ, রাজশেখর

**53.** মখাগী লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II অনী অসিগী অচুম্বা মেতচিং কোদতি :

| **লিস্ত-I লাইরিক্কী মিং** | **লিস্ত-II অইবগী মিং** |
|---|---|
| a. বক্রোক্তি জীবিত | 1. রাজশেখর |
| b. কাব্য প্রকাশ | 2. জগন্নাথ |
| c. কাব্যমীমাংসা | 3. কুন্তক |
| d. রসগঙ্গাধর | 4. মম্মট |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 2 | 1 | 3 | 4 |
| (B) | 1 | 2 | 4 | 3 |
| (C) | 3 | 4 | 1 | 2 |
| (D) | 4 | 3 | 2 | 1 |

54. A. কাব্যগী সম্প্রদায় পুন্নমক্কী পন্দিতশিংনা অলঙ্কারবু ইকাই খুন্নদবা লৈতে ।

B. মখোয়না অলঙ্কারনা পুন্নমক্তগী হেল্লি হায়না লৌই ।

(A) A চুম্মি B সু চুম্মি, A না B গী মরম ওই।

(B) A চুম্মি B লাল্লি ।

(C) A লাল্লি, B সু লাল্লি ।

(D) A লাল্লি B চুম্মি, A না B গী মরম ওইদে।

55. মখাগীশিং অসিদগী রুত খন্দোকউ

(A) ৱাবা (B) কপ্পা

(C) শা- (D) আঙৌবা

56. দিসক্রিপতিপ মেথোদ হায়বদি

(A) লোলগী তোঙান তোঙানবা কাংবু (class) খংনবা চাংদম্নদুনা নৈনবা

(B) লোল অমগী অকরুবা মতম অমখক্তা য়েংলগা নৈনবা

(C) হৌরকফম মান্নবা লোল কাংবুগী অহোংবা য়েংলগা নৈনবা

(D) লোল অনী নত্রগা অনীদগী হেনবা চাংদম্নদুনা খেন্নবা পুথোরুবা নৈনবা

57. লোলগী হায়রকিকেল স্ত্রকচরগী অচুম্বা মথং মনাত্তদি

(A) মোরফিম, ৱার্দ, ফ্রেজ, ক্লোজ, সেন্তেন্স

(B) ৱার্দ, মোরফিম, ফ্রেজ, সেন্তেন্স, ক্লোজ

(C) ৱার্দ, ক্লোজ, মোরফিম, ফ্রেজ, সেন্তেন্স

(D) মোরফিম, ৱার্দ, ক্লোজ, ফ্রেজ, সেন্তেন্স

58. মখাদা পীরিবা লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II অনী অসিগী অচুম্বা মেতচিং কোদতি :

| **লিস্ত-I থিওরি** | **লিস্ত-II হীরম** |
|---|---|
| a. পু-পু থিওরি | 1. মীওইবনা তারি উরিবা পুন্নমক রেন্দ্রা মমি তারকপনা লোন ওইরকপা । |
| b. বাউ-ৱাউ | 2. মীওইবগী অনিংবা, অপাম্বা, অৱাবা লুঙাইবনচিংবা ফাওরকপা ঈথিলদগী লোল ওইরকপা |
| c. দিংদোং | 3. মথৌশাগী লৈজরম্বা মখোলশিংগী মতৌ তম্বদগী লোল ওইরকপা |
| d. য়ো হে-হো | 4. মীত্তইবনা পুন্না থবক শুমিন্নবা নত্রগা পোৎলুম থাংমিন্নবনচিংবদগী থোক্লকপা মখোলদগী লোল ওইরকপা |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 1 | 2 | 3 | 4 |
| (B) | 4 | 1 | 2 | 3 |
| (C) | 3 | 4 | 2 | 1 |
| (D) | 2 | 3 | 1 | 4 |

59. নাউন ফ্রেজ খন্দোকউ

(A) ওজা নুপী অনী

(B) ফজনা য়েকউ

(C) তরু-তরু ফজবা

(D) তরু-তরুনা

**60.** বাঙ্গলাদেশ, ত্রিপুরা, ম্যানমারদা ঙাংনরিবা মণিপুরীসি

(A) সোসিয়েল দাইলেক্ত

(B) ইথনিক দাইলেক্ত

(C) রিজনেল দাইলেক্ত

(D) স্তেন্দর্দ দাইলেক্ত

**61.** A. লোল য়াওদনা সমাজ ওইবা য়াদে ।

B. লোলদা জাতি অমগী সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী মমি তাই ।

(A) A লাল্লি B চুম্মি ।

(B) A চুম্মি, B লাল্লি ।

(C) A অমসুং B চুম্মি, B না A গী মরম ওই।

(D) A অমসুং B চুম্মি, B না A গী মরম ওইদে।

**62.** 'ৱাটর' হায়বসি মণিপুরীদা হন্দোকপদি

(A) ফিল্ম স্ক্রপ্ত

(B) উপন্যাস

(C) দ্রামা

(D) ৱারীমচা নি ।

**63.** 'ঈগি মনমদু হুজিকসু লৈরি সিদ আরবিয়াগি থাও মনম নুংশিবা পূন্নমক্ল খূৎ মচাসিবু নুংশিহনবা ঙম্লরোই' হায়খিবা শক্তমদি

(A) ডিসডিমোনা

(B) নোরা

(C) লেদি মেকবেথ

(D) পোর্সিয়া নি ।

**64.** 'মাদর' দা মপুং ওইনা উৎলিবদি

(A) নুংশি নুংত্তন

(B) লাইবক্কা থবক্কা মুক্লবা

(C) মমাগী নুংশিবা

(D) শিল্প্যীশিংগী ঈহৌ নি ।

**65.** A. হেমিংৱানা শান্তিয়াগোদা উৎলিবসি মায়থীরবা মীত্তই অমগী শক্তম্নি ।

B. মরমদি শান্তিয়াগোনা মার্লিনবু পুরকপা ঙমখিদে ।

(A) A অমসুং B চুম্মি, A গী মরম B না ওই।

(B) A অমসুং B লাল্লি, A গী মরম B না ওইদে।

(C) A সু B সু লাল্লি ।

(D) A চুম্মি, B লাল্লি ।

**66.** 'ঐবু পূমথা থাদোকপীরো, মসিতনি ঐনা নিজরিবা । ঐহাক ইশানা পামজবা মতুংইন্না শিবু শিজরবসু হিংবু হিংজরবসু তৌজরগৈ, মসিতনি' হায়খিবদি

(A) রোজি

(B) বিলাসিয়া

(C) ট্র্যলা

(D) মীনা নি ।

**67.** 'ওইবরা, ওইদবরা, ৱাহংদি মদুনিসে' হায়খিবদি

(A) ব্রুটস

(B) হেমলেট

(C) এন্টোনি

(D) কেসিয়স নি ।

**68.** মখাগী লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II অনী অসিগী অচুম্বা মেতচিং কোদতি :

| লিস্ত-I উপন্যাসকী মিং | | লিস্ত-II ৱারীগী থীম |
|---|---|---|
| a. ট্রেন্না পাকিস্থান তন্না | 1. | খায়বুং তারবা হিন্দু-মুসলিম অনীবু নুংশিবনা পূনশিনহনবা |
| b. তৎলবা য়োল্লিং লক্তা শমজিন্নবা | 2. | ১৯৪৭ তা হিন্দুস্থান, পাকিস্থান খায়দোকঙৈগী ইরাং মরক্তা শাগৎপা নুংশিবগী মশক |
| c. নুংশিত্তি পাবা হৈতে | 3. | নুংশি-নুংত্তন, অকিবা অমদি খুদোংথীবনা থল্লবা পুন্সিগী মশক |
| d. ঙমখে লান্নী তেঙ্গোলগী বন্দিনী | 4. | পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাত্তদা যুম্ফম ওইবা |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 1 | 4 | 3 | 2 |
| (B) | 3 | 2 | 1 | 4 |
| (C) | 2 | 1 | 4 | 3 |
| (D) | 4 | 3 | 2 | 1 |

**69.** অচুম্বা খন্দোকউ
(A) 'ইঙাগী নোংমা' শৈরেংনি ।
(B) 'থাগী চীং' উপন্যাসনি ।
(C) 'যুগান্ত' ৱারীমচানি ।
(D) 'উমংগী হক' আইনগী ওইবা লাইরিক্নি ।

**70.** "মাখায়না উরে অঙাং নৌৱাগী মখুজিন্না খোৎতৎলবা থম্বাল লৈরাংগুম রোহিনীগী অশিবা মশানা লৈমায়থক্তা তাদুনা লৈরি"
(A) কৃষ্ণকান্তগী উইল
(B) বিষবৃক্ষ
(C) চন্দ্রশেখর
(D) মৃণালিনী নি ।

**71.** 'লৌমীশিংগী পুন্সিগী মহাকাব্যনি' হায়নবা উপন্যাসতি
(A) সেবা সদন
(B) গোদান
(C) গবন
(D) নুংশি হৈতবা থাম্মায় নি ।

**72.** শরৎচন্দ্রগী পুন্সিগা নক্নবা উপন্যাসতি
(A) পল্লি সমাজ
(B) দত্তা
(C) পথের দাবী
(D) শ্রী কান্ত নি ।

**73.** 'ষোড়শী' হন্দোকপদি
(A) শ্যামসুন্দর
(B) সুরচান্দ
(C) রঘুমণি
(D) ৱাহেংবম বীরমনি নি ।

**74.** A. হন্দোকপনা লোল অমগী সাহিত্যদা ময়েং তাহল্লি ।
B. মরমদি হন্দোকপনা সোর্স লেঙ্গোইজ অদুগী চপচাবা মহাও পীবা ঙমদে ।
(A) A অমসুং B চুম্মি, B না A গী মরম ওই।
(B) A লাল্লি B চুম্মি, B না A গী মরম ওইদে।
(C) A চুম্মি, B লাল্লি ।
(D) A সু B সু চুম্মি ।

**75.** মখাগী লিস্ত-I অমসুং লিস্ত-II অনী অসিগী অচুম্বা মেতচিং কোদতি :

| লিস্ত-I শক্তমগী মিং | | লিস্ত-II লাইরিক্কী মিং |
|---|---|---|
| a. নবকুমার | 1. | দুর্গেশনন্দিনী |
| b. দ্বিজু | 2. | পরিনীতা |
| c. শেখর | 3. | বিপ্রদাস |
| d. জগৎসিং | 4. | কপাল কুণ্ডলা |

**কোদ :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 4 | 3 | 2 | 1 |
| (B) | 3 | 2 | 4 | 1 |
| (C) | 2 | 1 | 3 | 4 |
| (D) | 1 | 4 | 2 | 3 |

**Space For Rough Work**